# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অহুমশুবা পন্দুপ : Project Formulation - 4)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙদা প্রোজেক্ট অমা কেরেক্টেরিষ্টিক্সকী মতাংদা ঐখোয় পামিন্নখ্রে। মখা তারকপদা প্রোজেক্ট অমা শেম শাবদা চঙবা মথং মনাও নাইবা থবক থৌওংশিংগী মরমদা নৈনরসি। মতাং অসি প্রোজেক্ট অমগী খ্বাইদগী লুবা অমদি মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি। মরমদি তাঞ্জাসিদা খজিক্তং শোয়খিবদা প্রোজেক্ট অদুদা য়াম্না চাউবা ঈথিল পীদুনা অকায়বা কয়া থোকহল্লি। মরম অদুনা entrepreneur অমনা তাঞ্জাসিদা চেকশিনবা, ৱাখল তাবা অমদি চমম্নবা লৈরবসু অখণ্ড অহে তানবা তঙাইফদে।

**প্রোজেক্ট অমা শেম শাবগী মথং মনাও নাইবা থৌওংশিং :**

চাওয়েং য়েংবদা মথং মনাও নাইবা থৌওংশিংসি তরেৎ থোক্লা খায়দোকপা য়াই। থবক থৌওংশিংসি প্রোজেক্ট অদুগী মওং মতৌ খেন্নবগী মতুংইন্না খরা খরা খেন্নজরবসু, মপূং ওইবা ৱাখল্লোনদদি মখল খুদিংগী প্রোজেক্টশিংসি থৌওং তরেৎসি লোইনমক মথৌ তাই। মখোয়শিংদুদি :-

**১) ওইবা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বগী চাংয়েং (Feasibility Analysis) :**

মসি প্রোজেক্ট ফোর্মুলেসনগী ইহান হানবা তাঙ্ককনি। তাঙ্কক অসিদা entrepreneur অদুনা তৌগে হায়না খল্লিবা থবক (প্রোজেক্ট আইদিয়া) অদু ওইথোকপা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়না চাউয়েং য়েংগনি। মমাঙদা ঐখোয়না নৈনখ্রিবা ময়াম, ইশাগী লৈজবা লৌশিং, অতোপ-অতোপ্পা ত্রেনিং, এদ্যুকেসন, এক্সপার্ট ওপিনিয়ন্নচিংবা কয়াদগী ফংলকপা লৌশিং শীজিন্নদুনা ইশাগী প্রোজেক্ট আইদিয়া অসি ওইবা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বগী চাংয়েং চেকশিন্না তৌগনি। মীনা তৌনৈ হায়দুনা হেক্তা তৌশিনবা য়াদে। করিগুম্বা ওইথোকপা য়াই হায়না খল্লবদি মখা তাবা থৌওং চত্থগনি। ওইথোকপা য়ারোই হায়না খল্লগদি প্রোজেক্ট আইদিয়া অসি তোকথোক্লগা অতোপ্পা আইদিয়া অমা অমুক য়েংগনি।

**২) খূৎলায় অমদি শেন্মীৎলোনগী চাংয়েং (Techno-Econoic Analysis) :**

মমাঙগী অহানবা চাংয়েংদুদা ওইথোকপা য়াই হায়না খল্লবা প্রোজেক্ট আইদিয়া অদু অনীশুবা থৌওং অসিদা পুরক্কনি। মতাং অসিদা প্রোজেক্ট অসিদা করি করি টেক্নোলোজি শীজিন্নগনি, ঐনা শীজিন্নগদৌরিবা টেক্নোলোজি নৎত্রগা খূৎলায়শিংসি মতমগা চান্নব্রা? টেক্নোলোজি অসিগী পোত্থোকশিংসি মীয়াম্না পাম্নব্রা? পাম্নরগনা দিমান্দ কয়া য়াম্না লৈগদগে? ঐনা তৌগদৌরিবা থবকসিগা মান্ননা তৌবা enterprise কয়া য়াম্না ঐগী অকোয়বদা লৈবগে? লৈরবদি ঐনা মখোয়গা হিদান্নবা ঙমগদ্রা? মখোয়দগী ঐনা করি করম্বা অতোপ্পা ইন্নোভেটিভ ওইবা ৱাখল্লোন শীজিন্নরগা কষ্টমর য়াম্না ফংগদগে অসিনচিংবা কয়াসি কূপ্না নৈনবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা, হৌজিক্কী মতমসিদা টাইপরাইটর ইন্সটিট্যুট অমা হাংদোক্লে হায়না খনবসি মতমগা চান্নদবা অমদি অরিবা টেক্নোলোজি ওইদুনা তোক্লনি। মমাঙদসু পঞ্জখ্রে মদুদি স্কুল চৎপা অঙাংশিংগী মমা মপানা টিফিন পুনবা শেম্বা হায়বসি তহা তহাবা অমদি অয়ূক্কী অচিনবা তাঞ্জাদা থোকপা, তৌদবসু য়াদবা অমা ওইরি। স্কুল ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা অঙাংগী স্কুলদা চানবা টিফিন সর্ভিসতি কমদৌবা? অসুম্না মখল মখা অয়াম্বা ৱাখল্লোন চুংশিন্নদুনা অহানবা অমদি অনীশুবা চাংয়েংশিংসি তৌবীগদবনি।

**৩) প্রোজেক্ট অমগী দিজাইন অমদি মসিদা তৌগদৌরিবা থবক থৌওং ময়ামগী মরী লৈনবা চাংয়েং (Project Design and Network Analysis :**

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা চাংয়েং অনীসিদা মায় পাক্লবা প্রোজেক্ট আইদিয়া অদু মখা তারকপা ওইনা মতাং অসিদা করি করি থবক থৌওংশিং য়াওবগে হায়না খদোক্কনি। থবক থৌওংশিংদু মথং মনাও নাইনা ইথোক্তুনা, করম করম্বা থবকশিং, চপ মান্নবা মতমদা তৌবা য়াবগে হায়না শিন্দোক্কনি। মসিনা প্রোজেক্ট অদুদা চঙগদবা মতম অমদি শেল হন্থহনবা ঙমগনি। থবক থৌওংশিংদু নিংথিনা য়েকথোক্তুনা প্রোজেক্ট নেটৱর্ক শেমগনি অমসুং নেটৱর্ক অসিগী মতুংইন্না প্রোজেক্টতুগী থবক থৌওংশিংদু পাঙথোকপীগদবনি।

**৪) প্রোজেক্ট অদুগা চঙগদবা মচাকশিংগী চাংয়েং (Input Analysis) :**

মতাং অসিদা প্রোজেক্ট অদুদা চঙগদবা মচাকশিংদু করি করিনো? করম করম্বা থবক্তা থৌওংশিংদা অমদি করম্বা মতাংদা করি মচাক চঙগনি? কদাইদগী ফংগনি? লেপ্তুনা ফংগদ্রা? মমলনা কয়ানো? অসিনচিংবশিংসি খঙদোকপা তঙাইফদে। হায়রিবা মচাকশিংসিদা রো মেটরিএল, মেছিনরি, শেল অমদি থবক শূগদবা মীশিং (হ্যুমেন রিসোর্সেস) য়াওরিবনি। ময়াম অসিগী মনুংদা হ্যুমেন রিসোর্স অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অদুগা মেনেজমেন্ট তৌবদা লুবা ইনপুট অমনি। লোয়ন-লোয়ননা তাঙ্কক অসিনা প্রোজেক্ট অসিদা শেল কয়া চঙগনি হায়বগী চাউরাকপা ফীভম অমা লেপকদৌরিবনি।

**৫) শেল থাদবগী অমদি লাকপগী চাংয়েং (Financial Analysis) :**

তাঞ্জাসি খরা টেক্নিকেল ওইবা মরম্না entrepreneur অয়াম্বনা হেক্তা তহা তহা তৌশিল্লি। প্রোজেক্ট অমগী মায়থীবা নৎত্রগনা মায় পাকপা হায়বসি মদুদা থাদখ্রিবা শেল অমদি মদুদগী লাকপা/ফংলকপা শেলদুদা মখা পোনবনিনা য়াম্না চেকশিন্না শেল থাদবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা এক্স-রে লৌনবা মেছিন অমা মমল য়াম্না পীদুনা, লন্নাইগী ওইবা অঙাংগী অনাবা য়েংফম অমদা থম্বগী মথৌ থোইদোক্লা তাদে অদুবু টি বিগী অনাবা য়েংফমদদি মথৌ তাই। অমরোমদা ব্যুটি পালর অমদা ৱাখল ইতা তাদনা এয়র কন্দিসন মেছিন হেক হাপচিনবা, গ্রোসরি দুকান্দা টি ভি অচৌবা অমা খিনজিনবা অসিনচিংবশিংসি শেল থাদবগী অরানবা থৌওংনি। মরমদি মসিদা থমখ্রিবা শেলসি অমুক হল্লক্লবগী মরম লৈতে। Financial Analysis হায়বা তাঙ্কক নৎত্রগা পন্দুপ অসি অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। মসিদা মখল মখা অয়াম্বা Analytical tool শীজিন্নদুনা Financial Analysis তৌগনি। মতাং অসিদা entrepreneur অদু য়ামদ্রবদা শেনবা-থুম্বা (এক্কাউন্টিং) গী মতাংদা খরদি খঙবা তঙাইফদে। মরমদি শেনবা-থুম্বা হায়বসিগা শেল থাদবা অমদি লাকপগী চাংয়েংসিগা অসুক্কী মতিক মরী লৈনৈ।

**৬) Cost-Benefit Analysis :**

চাংয়েং অসি ঐখোয় অয়াম্বনা ইতৌ তৌনদে অমসুং কা হেন্না মসিগী মতাংদা খনজিল্লুবসু লৈতে। তৌবদবু মসিসু য়াম্না মরু ওইবা, প্রোজেক্ট অমা মায় পাকপদা চঙবা থৌওং অমনি। মমাঙদা পঞ্জখিবা লন্নাইগী স্কুল অমা হাংবগী প্রোজেক্ট অদুদা অঙাংশিংনা লাংবগী মখোল, মখোয় ময়াম থিল্লকপগী ভেন/বসশিংনা থোকহনবা এয়র পোল্যুসন, নোইস পোল্যুসন, লম্বেল কায়রকপা অমদি চিনশিল্লকপা, অঙাংশিংনা লংথোরকপা প্লাষ্টিক্সকী ফত্ত-হাওদি অসিনচিংবশিংসি খুন্নাইদা স্কুল অদুনা পীবা কোষ্টশিংনি। অমরোমদা, অঙাংশিংবু লাইরিক তমহনবা, ওজা অমদি অতৈ অতোপ্পা মীওইদা থবক পীবা, অরাকপা শেন্দোংদগী স্কুল মপুনা লৈঙাক্তা টেক্স পীবা, লোন লৌরগা চলাইবা স্কুল ওইরগনা বেঙ্কতা শেলেপকা লায়ননা শেন্দোই পীবা অসিনচিংবশিংনা স্কুল অদুনা খুন্নাইদা পীবা কান্নবশিংনি। প্রোজেক্ট অমদা কান্নবা অমসুং কোষ্ট অসি চপ চানা হোৎপা ঙমদে। মসিগী অচৌবা মরমদি ফল অসি অঙ্ক মশীংদা তাদবা, ক্বালিটেটিভ ওইবা অসিননি। অদুবু প্রোজেক্ট অমা কোষ্টনা বেনিফিটতগী ৱাংনা লৈ হায়না খল্লবদি প্রোজেক্ট অদু পাঙথোকপা য়াদে, বেনিফিটনা কোষ্ট অহুমদগী হেল্লবতদা প্রোজেক্ট অদু পাঙথোক্কদবনি। য়াম্না তোয়না ঐখোয়না থেংনবা থৌওং খরা অমুক মতাং অসিদা নৈনসি। চুরুট থকপা ফত্তে হায়বসি লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করিগীদমক চুরুট শাবা কম্পেনি/ইন্টরপ্রাইজশিংদা চুরুট শানবগী অয়াবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীরিবনো? কোষ্টকী মতাংদা নৈনরবদি, চুরুট থক্লিবা মীওই নৎত্রগা/অমসুং চুরুট থক্লিবা মীওইদুগী অনকপদা লৈবা মীওইশিং (Passive Smoker) দা চুরুট থকপনা মরম ওইদুনা পীবা অনাবশিং, এয়র পোল্যুসন, চুরুট লৈবদা চৎলিবা শেল অসিনচিংবশিংনি। অমরোমদা, বেনিফিটকী মতাংদা নৈনরগনা, হীদাক মনা থাবা লৌমী কয়া, চুরুট শাবগী ফেক্টরিদা থবক তৌবা শিন্মী কয়া, ফেক্টরি অদুগী অকোয়বদা লৈবা enterprise মচা মচাশিংনচিংবশিংগী শেন্থোক লম্বী অসি মসিদগী ওইরিবনি। অসিগীসু মথক্তা অচৌ অচৌবা চুরুট শাবগী ফেক্টরিশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা টেক্স চাউনা পীরিবনি। ওথোরিটি অদুনা চুরুট শাবগী প্রোজেক্ট অদু বেনিফিটনা কোষ্টতগী ৱাংই হায়না খনবদগী চুরুট অদুম শারিবনি অমদি শাহল্লিবনি।

**৭) শেল থাদদ্রিঙৈ মমাঙদা চাংয়েং (Pre-Investment Analysis) :**

মথক্তা পঞ্জখিবা থৌওং তরুকসি লোইনমক মায় পাক্লবা প্রোজেক্ট প্রপোজেল অদু হৌজিক মওং মরীল নাইবা ফীভম অমদা লাক্লগনি। মতাংসিদা প্রোজেক্ট অসিদা থাদগদৌরিবা শেল অদু ইশাগী ওইরগদি শেলদু থাদবা য়ারে নৎত্রগদি নিংথিজনা শেম শারবা প্রোজেক্ট প্রপোজেল অদু মরী লৈনবা বেঙ্ক্তা পীশিনগনি। মরী লৈনবা বেঙ্ককী মীওইদুদা তৌগদৌরিবা থবকসি করিনো? করম্না তৌগনি? শেল কয়া চঙগনি, কয়া লাক্কনি? হায়বনচিংবা নিংথিনা মমুৎ তানা খঙহনগদবনি। মতমদুদা বেঙ্কনা শেল থাদবগী অপাম্বা লাক্কনি। ঐখোয়না অরানবা ৱাখল্লোন্দা বেঙ্কনা লোন পীবিয়ু য়াদে হায়বসি থাদোক্লগা বেঙ্কনা করিগী লোন পীয়ু য়াদ্রিবনো হায়বসি খনবা মতম ওইরে। বেঙ্কসু মায় পাকপা enterprise সিদা শেল থাদরবদি শেন্দোং ফংগদৌরিবনি নৎত্রবদি মখোয়দা লৈরিবা শেল অদু মতমগী মতুংইন্না ভেল্যু হন্থরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা বেঙ্কতগী শেল লৌরগা চলাইগদবা প্রোজেক্ট ওইরবদি বেঙ্কনা প্রোজেক্ট অদু চাংয়েং তৌরগা শেল থাদরক্কনি।

মথক্তা ইজখ্রিবা থৌওং তরেৎসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা থৌওং খরসু লৈরি। মখোয়শিংদুগী মরক্তা Market Feasibility Analysis অমসুং Environmental Feasibility Analysis হায়বনচিংবশিংসি পনবা য়াই। তৌবতবু থৌওং অনীসি মথক্কী থৌওং তরেৎ অসিদা খরা খরা শোক্লা ইজখ্রে হায়দুনা মতাংশিংসি পঞ্জদ্রে।

অদোম্না আর্টিকল অসি পাবদা কান্নে হায়না খনবীরবদি, মথক্তা পীজরিবা ঈ-মেল এদ্রেস অসিদা চিঠি থাবীরকউ। অদোমগী মরুপ-মপাং, খঙন-চান্নবশিংদা স্যের তৌবীয়ু। মায় পাকপা entrepreneur অমা ওইবীয়ু। ময়ামবু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

---

# মে ৫ : মালেম রেভল্যুসনগী লময়ানবা কার্ল মার্ক্সকী মপোক নুমিৎ লাকপদা

- সোটিনকুমার -

**মার্ক্সিজমগী মায়োক্তা লৈবা, মীচঙদা লৈবা য়াই, অদুবু চত্থরিবা মালেমগী শেনমিৎলোনগী ৱাথোকসিদা মার্ক্সিজম খঙদ্রবদি বেট্টল ওফ আইদিয়াগী লান্দা লান্মী ওইবা ঙম্লোই**

তাইবঙপান অসি লেপ্তুনা হোংলি। হোংলকখিগনি। হোংলক্লিবশিং অসি অমগা অমগা মুক্লবগী মহয়নি। মুক্লবা হায়বা অসিনা তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা পোৎশিংগী মশা মনুংদা নৎত্রগা পোৎ অমা মপৈ অমগা মুক্লবা কয়া থোক্লি। মুক্লরিবশিং অদু মান্নবা মখলগী নৎত্রগা মান্নদবা মখলগী ওইবা য়াই। মুক্লবা মখল খরদি য়ান্নদবগী মুক্লবনি, মখল খরা অমদনা য়ানবা মখলগী মুক্লবনি। য়ানদবা মখলগী মুক্লবদি মুক্লবা অদু লোইশিনখিবদা মখল অমদি মাঙখিগনি, হায়বদি য়ান্নদবা অদু লৈররোই, য়ানবা মখলগী ওইবা মখা চত্থরকখিগনি। মদুনা চাওখৎপা মায়কৈরোমদা লমজিংদুনা অহোংবা অমদা লাক্কনি। মরম অদুনা মুক্লবা হায়বা অসি মমুৎ তানা খঙনবা নৈনবা, অহোংবা হায়বা অসি করম্না ওইরকই অমসুং মসিনা তাইবঙপালদা করম্না ইথিল পীবগে হায়বা অসি নৈনবা তারবদি মেটরিয়েলিষ্ট ফিলোসোফি খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মখল অসিগী ফিলোসোফি অসি খঙগে হায়রবদি কার্ল মার্ক্স (মে ৫, ১৮১৮) অমসুং ফ্রেদরিক এঙ্গেলসকী পুন্সি, থবক অমসুং ফিলোসোফি নৈনদবা য়াদে।

কার্ল মার্ক্সকী মিং হেক পনবদা মিং অসিগা হেক্তা শেৎতোক ফাক্তোক্লবা য়াদবা য়াম্না মরু ওইবা লাইরিক অনী লৈ, লাইরিকশিং অদুদি– 'মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি' অমসুং 'কেপিটেল' হায়বা অসিনি। অহানবগী লাইরিক অসিনা কাঙলুপকী অওৎ অনৈ লোইশিন্দুনা অনৌবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক কাঙলুপকী লান শোক্লরিবা শিন্মী কাঙলুপ অমসুং শূরি– নোম্লিবা মীয়ামবু লেপ্পা লৈতনা পূক্লিং থৌগৎলিবা লাইরিকনি। লাইরিক অসি মার্ক্সনা কুমজা ১৮৪৮ গী ফেব্রুৱারিদা ইহান–হান্না ফোঙদোকখিবনি। লাইরিকসিদা য়াম্না মরীক চুম্না হায়রি, মদুদি 'মীওইবগী খুন্নাই খুদিংমক্কী পুৱারী অসি কাঙলুপকী লানগী পুৱারিনি। লাইরিকসিগী লোইশিল্লকপদা কাঙলুপকী লান থেংনরিবা খূৎ–তৎলবা শিন্মীশিংগীদমক্তা অসুম্না হায়রি, 'শিন্মীশিংগী করিসু মাঙনিংঙাই লৈতে, নখোয়দা পুনশিল্লিবা য়োৎথ্লিং কোম্লৌশিংদু নত্তনা।' মেনিফেষ্টো অসি সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজমগী আইদিয়াশিংবু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা য়াৎথোক্লবা পোলিটিক্সকী, ইদিওলোজিগী অমসুং থিওরিটিকেলগী য়ুম্ফম অদুনি। লাইরিক অসিগী রসিয়ান লোলগী এদিসনদা অসুম্না হায়রি, 'কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টোগী পান্দমদি মোর্দন বুর্জ্জুৱা প্রোপর্টি অসি থিংবা ঙমদনা শুকশোয় শোয়দনা মুত্থৎলগনি হায়বা অদু হান্না লাউথোকপনি'। মেনিফেষ্টো অসি 'গাইদ টু এক্সন্নি' হায়না মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লে।

অদুম ওইনমক মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা চেকশিন্না হায়রি মদুদি, মখোয়না শেন্লিবা অওনবা পুরক্লবা থৌরম পরেং অসি লৈবাক খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মওংদা পাঙথোকপা য়ারোই, তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ফীভমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি। মখোয়না মখা তারি– অওনবগী খোঙজং কনখৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপগা লোয়ননা কাঙলুপকী খেন্নবশিং মাঙখিগনি অমসুং পোত্থোক পুন্নমক ফুরুপ অপুনবগী খূৎতা লৈগনি। কাঙলুপশিং অমসুং কাঙলুপকী য়েংথিনবা লৈবা অরিবা বুর্জ্জুৱা খুন্নাইগী মহুৎতা ঐখোয়গী অনৌবা লূপ অমা লৈগনি, মদুদা মীপুম খুদিংমক নীংতম্না চাওখৎকনি, মদু পূন্নমক্কী নীংতম্বা চাওখৎপনি।

মেনিফেষ্টোগী খুৎলায় অসি পায়দুনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী তোপ তোপ্পা ফীভমশিং নৈনদুনা শূরি নোম্লিবা কাঙলুপনা রসিয়া, চাইনা, ভিয়েটনাম, ক্যুবা অমসুং অৱাং কোরিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা মায় পাক্লবা অওনবা পুরকখ্রে অমসুং অমুক্কা খূৎলায় অসিগী মতেং লৌদুনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা লৈখিবা য়ুরোপকী ফীভম অদুদা নোংপোক য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লৈঙাক কয়া অমা লিংখৎখি। চহী খরা অসিদা সমাজবাদকী লৈবাক খরদা মথক মখা ওনখ্রবসু হৌজিক্তি সমাজবাদগী খোঙজং নৌহৌননা অমুক লৈবাকশিং অদুদা কনখৎলক্লে। সমাজবাদকী শক্তিশিংনা খা– আমেরিকাগী লৈবাকশিংদা– ব্রাজিল, নিকারাগুৱা, চিলি, আর্জেন্টিনা, ভেনেজ ুয়েলা অমসুং বোলিভিয়ানচিংবদা সাসন তৌরক্লে। অদুগা হন্দকসু মেক্সিকোদা সাসন তৌরক্লে। মসিনা তাক্লিবদি, মেনিফেষ্টোগী মরু ওইবা ৱারমশিং অদু মপুংদা, ঙসি ফাওবা চুমদুনা লৈরি। মরম অদুনা, মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসকী 'মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি' অসি মতম চুপ্পদা চুমদুনা লৈগনি।

কার্ল মার্ক্সকী অনীশুবা লাইরিক 'কেপিটেল' হায়বা অসিদি অচৌবা ভোল্যুম অহুমনা শাবনি। অহানবা ভোল্যুম অদু কুমজা ১৮৬৭ তা ফোঙখি। মার্ক্সনা হায়– লাইরিক অসিগী পান্দমদি মোদর্ন সোসাইটিগী ইকানোমিক লো অসি পুমহাঙ হাঙদোক্তুনা ফোঙদোকপনি। মহাক্লা থাজৈ মদুদি পোলিটিক্সকী য়ুম্ফম লিংখৎপা অসি ইকানোমিক সিষ্টমগী য়ুম্ফমদা শাগৎকদবনি। মরম অদুনা মহাক্কী মরু ওইবা লাইরিক অসি মোদর্ন ইকানোমিক সিষ্টম হায়বদি কেপিটেলিষ্ট খুন্নাই নৈনবদা কত্থোকপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী অহানবা ভোল্যুমনা কেপিটেল পুথোকপগী মওং নৈনবনি, অনীশুবা ভোল্যুমনা কেপিটেল শন্দোকপগী মওং নৈনবনি, অদুগা অহুমশুবনা কেপিটেলিষ্ট প্রদক্সন অদু মপুং ওইনা নৈনবনি। ভোল্যুম অহুমসি নত্তনা কেপিটেলগী মরিশুবা ভোল্যুমনি হায়না লৌনবা 'থিওরি ওপ সরপ্লস ভেল্যু' কৌবা লাইরিক অমসু মার্ক্সনা ইরম্মী। মসিদা কেপিটেল অমসুং কেপিটেলিজম চাওখৎলকপদা চঙবা অকুপ্পা লোশিং অদু য়াম্না শুগায়না পল্লি। মহাক্লা মসিদা য়াম্না কুপ্না নৈনরিবগী মরমদি সোসিয়েলিজমগী য়ুম্ফম অমা থোনবনি অমসুং মদুদা মহাক্লা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমা শাগৎনবা চঙশিনবগী থৌরাংনি। মরম অদুনা মার্ক্সকী কেপিটেলগী ভোল্যুমশিং অসি মহাক্কী কৃটিকশিংনা লেপ্তুনা নৈনৈ, করিগুম্বদা শীংনরকই, শেরান্ননা শন্দোকই, করিগুম্বদনা শৌগৎলি অমসুং চুম্না শন্দোকনা তাকই।

এঙ্গেলসনা মার্ক্সপু চার্লস ডারৱিনগা চাংদম্নদুনা হায়– ডারৱিননা ওর্গনিক নেচর চাওখৎলকপগী লো পুথোকপগুম্না মার্ক্সনা মীওইবগী পুৱারি চাওখৎপগী লো পুথোকই। মহাক্কী লো অদুনা পোলিটিক্স, বিজ্ঞান, কলা– সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মনচিংবা অসিগী লম্বীদা খোঙদাগে হায়রবদি ইহান হানবদা চাননবা, শেৎননবা, থক্লবা অমসুং লৈননবা য়ুম হান্না লৈগদবনি হায়বা চৎনবী অদুগী য়ুম্বীদা নীকহল্লি। হায়বদি পোলিটিক্স, বিজ্ঞান, কলা – সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মগী লুচিংবা অমসুং পন্দিটশিং অসি শেঞ্জাও পায়বা লৌয়াম চাবা কাঙলুপতগী থোরকপনা মরম ওইদুনা মখোয়গী কাঙলুপকী মীৎয়েংদগী হায়রিবা হিরমশিং অসি শন্দোক্লা তাকই। মসিগী কাঙলুপ নাইবা মীৎয়েংদগী থোরকপশিং অসিবু মার্ক্সকী মীওইবা খুন্নাই চাওখৎলকপগী লো অসিনা শীংনরকই।

মার্ক্সতি অওনবা পুরক্লবা হোৎনবা মীশকনি। মহাক্কী মপুন্সিগী অশেংবা মথৌদি, অমা নত্রগা অমা তৌদুনা কেপিটেলিষ্ট সোসাইটিবু অমসুং মসিনা পুথোরকপা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংবু থুগায়বনি, অদুগা শূরি–নোম্লিবা কাঙলুপ্পু কাঙলূপ–ফুরুপ খায়দনা নীংতমহনবনি। থেংনবা হায়বা অসিনা মহাক্কীদি মরু ওইবা শিন্থানি। মহাক্কী থেংনবগী লম্বীসিদা মহাক্কুন্না চঙশিনবা ঙম্বা অসি ঙসি ফাওবদা মীওই মশিং য়ামদ্রি। খুদক্কী মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা অদু নত্তে, মহাক্কী লাম্থেংদি, মথ্বায় য়াওনা লেপ্পা লৈতনা মহাক্লা থাজরিবা অসুপ্পা মায় পাকপা অদু ফংনবা মাঙলোমদা চঙশিনবনি। মদুতনা শিন্মীশিংগী মুক্তি ফংননবগী লম্বীনি হায়না মহাক্লা য়াম্না চেৎনা থাজৈ।

কার্ল মার্ক্স, মহাক্কী হিংলিঙৈগী মতমদা মহাকপু য়াদবা মীওইশিংনা খ্বাইদগী হেন্না তুক্কৎচবা, অদুগা মহাকপু শৌগৎপশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংনা থাঙ্গৎপা মীশক অমনি। য়ুরোপকী লৈঙাক কয়ানা মহাকপু মখোয়গী ঙমখৈদগী তান্থোকই, মরমদি মহাক্লা মখোয়গী লৈবাক্তা লৈরবদি মখোয়গী কাঙলুপ নায়বা লৈঙাক অদু শিন্মীশিংনা মুনখিগনি কিজৈ। অমরোমদা বুর্জ্জুৱা পন্দিটশিংনা মার্ক্সকা চৈ থাংবদা লম্বা তৌনৈ। মরমদি, খুন্নাইদা মখোয়গী মফম কন্দুনা লৈরিবা অদু ঙাক্তুনা থম্নবা, অদুবু কার্ল মার্ক্সতি মঙোন্দা শিংনরকপশিং অদু লৌই, লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা হোং হোংদুনা মহাক্লা ৱাখল মান্নবা মীওইশিং খোমজিন্দুনা মশিং য়ামখৎনবা থবক চঙশিল্লি, মহাক্কী ফিরেপ চেৎশিনহন্নবা হোৎনবা লেপতে। শিন্মীশিংগী আন্দোলন শাগৎলি। দরকার লৈরকপা মতমদতা মঙোন্দা শীংনরকপশিংগী মতিক চাবা পাউখুম পী।

কার্ল মার্ক্সকী মরমদা নৈনবা অসি কুনশুবা শতাব্দীগী লোইরমদাইদা সোসিয়েলিজমনা মরাই খরা চাইথরুবদগী খরা নীংহন্নবা লৈখ্রবসু কুনমাথোইশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক অসিদদি সোসিয়েলিষ্ট শক্তিশিংনা মালেম শিন থুংনা মপাঙ্গল খরা কনখৎলকপা অসিদা খা ৱাং খায়দনা হেঙ্গৎলক্লি। চাইনা, ক্যুবা, ভিয়েটনাম, অৱাং কোরিয়ানচিংবদা লৈরিবা মওং অসিগা খেন্নজরবসু হৌজিক য়ুরোপকী লৈবাক খরদা সোসিয়েলিষ্ট শক্তিশিংনা লৈঙাক পায়রকখ্রে। নোংপোক য়ুরোপ্তসু অদু মঙাই, মল্টি পার্টি সিষ্টম লৈবা দেমোক্রেটিক লৈবাক ওইরবসু হান্নগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংনা মমিং ওন্দুনা লৈঙাক পায়দুনা লৈবাক সাসন তৌরি। রসিয়াদসু মতম অমদা হেক্তা সোসিয়েলিজম হল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। খা আমেরিকাগী ( লেতিন আমেরিকা) লৈবাকশিংদা মথং মথং ভেনেজ্যুয়েলা, ব্রাজিল, আর্জেন্টিনা, চিলি, উরুগুৱেনচিংবদা শিন্মীশিংগী পার্টিশিংনা অমসুং লুচিংবশিংনা সাসন তৌরক্লিবা অসিনি। মসিগী মথক্তা ক্যুবান রেভল্যুসন মায় পাক্লবা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা আর্নেষ্টো চে গুইবেরানা মালেম পুম্ববু ইম্পেরিয়েলিজমগী মখুৎতগী নীংতম্নবা লাঞ্জংদা আমেরিকাগী সি আই এগী মখুৎতা অরোয়বা য়াহিপ তানখিবা লৈবাক – বোলিভিয়াদসু হন্দক্তা শিন্মীশিংনা মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়খ্রে। নেপালদসু কম্যুনিষ্টনা সাসন পায়রে।

মণিপুরদসু জননেতা ইরাবতগী লমজিংদা মার্ক্সিজমগী ৱাখল্লোন পুরক্তুনা ফ্যুদেলিজমগী মায়োক্তা শেঞ্জাও পায়বা নিতিগী মায়োক্তা অমদি ঙসিনা নিওলিবরেল ইকনমিক পোলিসিগী মায়োক্তা, কম্যুনিষ্ট পার্টিনা হনবা লৈতনা থেংনরি। ●

